# করিসু খঙজদবশিংদা নোংমৈ কাপশিনবগী পান্দম করিনো?

# সরকারনা খাঙদুনা লৈবনি, মদুগী পনখে লানখ্রবদি অফবা লাক্লোই

*-চিফ মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩:* হিংশানা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। লমদম অসিগী মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা য়েংশিনবা চৎখিবা মীচমশিংদা নোংমৈনা কাপশিনবা অসিবু করি পান্দমনো? সরকারনা খাঙদুনা লাকপনি, করিগুম্বা মদুগী পনখে লানখ্রবদি অফবা ফল্ল লাক্লোই হায়না চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোঙজোমগী খেবচীংদা লৈরিবা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা "খোঙজোম নুমিৎ"কী নিংশিং থৌরমদা প্রসিডেন্টকী ৱারোল পীরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, হৌখিবা এপ্রিল ২১দা নেসনেল হায়ৱে-২গী ক্লাথা লমখায়দা ক্লাথা য়াওনা মফম অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী পায়খৎকদবা থবকশিং য়েংশিনবা চৎখিবা ওফিসিয়েলশিং অমদি মখোয়গা লোয়ননা চৎখিবা এম আরগী মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি মীনা অশোক অপন নংহনখিবা অদুগী পান্দম করিনো? মখোয়না চৎলিবা অদু মরনাইগী থবক নত্তে। মনুং হুঞ্জিনবা খুলশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা য়েংশিনবা চৎখিবনি। মখোয়বু হাৎলগা নখোয়না নিংলিবা পান্দম অদু ফংবা ঙম্রদ্রা?

চীং নত্রগা তমগী লালহৌবশিং ওইরবসু নত্রগা ক্লেম তৌরিবা কাঙলুপ অদু ওইরবসু খঙগদবদি, প্রজাশিংনা নখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদু পাম্লিব্রা হায়বসিনি। মপান থোক্লা হায়বা ঙমদবগী ৱানি। নখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদুদা নত্রগা থবক অদু চখরিবা লুপ অদুদা প্রজাশিংনা শৌগৎলিব্রা, প্রজাশিং হিংশা পাম্লিব্রা হায়বসি খঙগদবনি।

সরকার ওইরবসু মখোয় ওইরবসু মীয়াম প্রজাগী অপাম্বা য়েংলগা থবক তৌবা তাবনি। প্রজানা য়াদ্রবদি হিংবা ঙঙ্গী ৱা লৈতে। নখোয়না চখরিবা থবক থৌওংশিং অদু প্রজানা পাম্লিব্রা পামদব্রা হায়বদু খহ্বা তাবনি।

সরকারনা হিংশা তৌদুনা অঙম অঙম হাৎনবনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়বা খঙই। পেন্দবা ৱাখল্লোন্দা খেন্নবা কয়া লৈরবসু মদু ফম্মিন্নরগা খন্নদুনা ঙমগদবা ওইরগা ঙমগনি, ঙম্লোইদবা ওইরগা উপায় লৈতে হায়বদু হায়নবা দরকার ওই। মরাল লৈতবা হাৎপনা কান্নবা করিসু ফল্ল লাক্কনি থাজদে। ইন্দিয়া সরকারসু খাঙদুনা লাকপনি। মণিপুর অসি ইন্দিয়া সরকারগী মখাদা লৈ হায়বা নত্তে। ইন্দিয়া সরকার অসিসু মালেমগী সুপর পৱার লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। সরকারনা খাঙবা য়াবা খাঙখিগনি, য়েংবা য়াবা য়েংখিগনি। সরকারগা ৱারি শান্নবা তৌসি হায়খি।

লমদম অসিদা লৈবিরা কাঙলুপ খুদিংমক ইচিল ইনাও ঙাক্তনি। মেজরিতি কাঙলুপনা মাইনরিতিশিংবু হহ্না য়েংবগী ৱাফম লৈতে। কনাগুম্বা মীওই খরনা থবক খরা চথরগা ময়াম ওইনা উহনবা অসি তৌফম থোক্তবনি। ফত্তবা কাঙবুশিং অদু মীয়াম্না সমাজদগী মরু ফংনা মুখৎনা হোৎনসি। মসি কাঙলুপগী ওইবা ৱাফমদা পুশিল্লকপা অচুম্বা ওইরোই। মরাল লৈবশিং অদু সরকারনা ফারগা চৈরাক পীনবা হোৎনরি।

খোঙজোম নুমিৎকী মতাংদা মহাক্না হায়,নুমিৎ অসিনা মণিপুর প্রজাশিংনা মমা লৈবাক্কিদমক থৱায় পামুবা লৈতনা কখোকখিবা অদু নিংশিংহল্লি। নুমিৎ অসি মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ইতিহাসতদা নত্তনা মালেমগী নিংতম্বা পামজবা জাতিশিংনা খ্বাইদগী মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইনা লৌনরিবনি। নিংতম্বা হায়বসি লৈত্রবদি মী ওইনা পোকপগী ৱাহল্লোক লৈতে হায়নরিবনি। মদুমক্ত নি মীওই লিশিং কয়ানা নিংতম্বা ঙাক্লুবগীদমক মীওই লিশিং লিশিংনা থৱায় পামুবা লৈতনা কখোক্লুরিবা। পালন অসি পাঙথোকপদা লমদম অসিগী লায়ওইখ্রবা অহলশিংনা শিন্নরম্বা নিংতম্বা ঙাক্লুবগী পাউজেল অদু নিংশিংদনদি করিসু কান্নরোই।

মখোয়না শিন্নরম্বা নিংতম্বা ঙাকপা অমদি লৈবাক্কি অমত্তা ওইবগী শক্তম মপাঙ্গল কলহনবা অসি ঙসিগী মীরোলনা ঙাক্লা চৎপা তাই।লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক অসি নিংতম্লবা ইন্দিয়াগী নাগরিক অমনি। ঐখোয়গী ইথৌদি ৱানা ফংলিবা নিংতম্বা অসি ঙাক্তুনা থম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অপুনবগী শক্তম অসি মপাঙ্গল কলহনবনি।

ইন্দিয়া নিংতম্বনা মসিগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরসু নিং তম্রে। ঙসি ফংলিবা নিংতম্বা অসি বৃটিসনা ঐখোয়দা পীরম্বা খুদোল নত্তে। মসি ইরাই লায়না পীরম্বা নত্তে। মীওই লিশিং কয়ানা বৃটিশকী মীওৎ মীনৈ খাঙদুনা জেলদা লৈদুনা অমদি থৱায়না পোল্হা পীদুনা ফংলকখিবনি। মরম অসিনা ৱানা ফংলকপা নিংতম্বা অসি ঙাক্লুবা অমদি ইন্দিয়াগী মপাঙ্গল কলহন্নবা খনবা তাই।

শান্তি লৈতনা লমদম অমা চাওখৎপা য়ারোই। শান্তি লৈতবনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা অপনবা ওইহল্লিবনি। মণিপুর অসি অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা চাওখৎ খোঙথাংগী লমদা শোত্থনা লৈরিবনি। মরম অসিনা হৌজিক খ্বাইদগী দরকার লৈরিবা অসি শান্তি লৈনা পুন্না হিংমিন্নবা থকশি খাশি খঙনা হিংমিন্নবা অদুনি।

লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা জাতি খুদিংমক কনানা কদায়দা শোত্থরি হায়বদু য়েংশিনবা দরকার ওইরি। অমগা অমগা মতেং পাঙনদুনা লমদম অসি চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবা দরকার ওইরি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।